# বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসননা য়ু এস ওপন ২০২০ কোভিদ–১৯না মরম ওইদুনা মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি)ঃ

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন ( বি দব্লিউ এফ)না মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকফম ওইখিবা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মালেমগী মফম কয়াদা অকিবা মওংদা শন্দোরক্তুনা মীওই লাক্ষ ৩ হেননা শোকহনখিবগা লোয়ননা মালেমগী স্পোর্টিং ইভেন্টশিং পাঙথোকপা য়াদনা লৈরিঙৈদা চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা য়ু এস ওপন ৱার্ল্ড টুর সুপর ৩০০ টুর্নামেন্টবুসু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী জুন ২৩ দগী ২৮ ফাওবা কালির্ফোনিয়াগী ফুলরতোনদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা য়োনেক্স য়ু এস ওপন অদু হৌজিক্কী ওইরিবা কোভিদ–১৯ গী ফিভম অসিনা য়ৈথোক্লে।

লৌখিবা ৱারেপ অসি টুর্নামেন্ট অসিবু শীনলাঙলিবা য়ু এস বেদমিন্টনগা পূন্না খৎন্নরবা মতুংদা লৌখিবা ৱারেপনি। বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনননা টুর্নামেন্ট অসিবু শীনলি লাঙলিবশিংনা মসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অমসুং মসিবু পাঙথোকপদা মপুং ফাহন্নবগজী অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মীওই পূম্নমক্কী হকশেলদা তেক্তা কায়দনা লৈহনবদা অহানবা মীৎয়েং থল্লিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোঙদোকই হায়খি।

য়োনেক্স য়ু এস ওপন ২০১৭ দা ইন্দিয়াগী সট্টলর ঐচ এস প্রনোইনা ফাইনেলদা পরুপলি কেসাপবু মায়থিবা পীদুনা মেন’স সিঙ্গলসকী টাইতল লৌখিবনি।

ৱুমেন’স সিঙ্গলসনা জপানগী অয়া অহোরিনা লৌখি। মেন’স দবলসকী টাইতলনা জপানগী টাকুতোর ইনাওৱি অমসুং য়ুকি কানিকোগী জুরানা লৌখি। ৱুমেন’স দবলসনা সাউঠ কোরিয়াগী লি সো হি অমসুং সিন স্বিৱেং চানগী জুরানা লৌখি অদুগা মিক্স দবলসনা সাউঠ কোরিয়াগী সিও স্বিৱেং অমসুং কিম হনালনা লৌখি।

২০১৮ দনা সাউঠ কোরিয়াগী লিদোং ক্যিয়ুননা নেদরলেন্দগী মাক কালজোবু মায়থিবা পীদুনা মেন’স সিঙ্গলসকী টাইতল লৌখি। ৱুমেন’স সিঙ্গলসনা চাইনাগী লি জিয়ুৱিনা য়ু এস এগী জাং বৈ ৱিনবু মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌখি। মেন’স দবলসকী টাইতলনা চাইনাগী অৱো জুৱায়ি অমসুং রেন জুৱাংয়ুগী জুরানা লৌখি। ৱুমেন’স দবলসকী টাইতলনা চাইনাগী টাং জিনহুৱা অমসুং য়ু জিৱুহানগী জুরানা লৌখি। মিক্স দবলসকী টাইতলনা মালেসিয়াগী চান পেং সুন অমসুং গৌলিয়ু য়িং গী জুরানা লৌখি।

২০১৯ দগী মেন’স সিঙ্গলসতনা চাইনিস টাইপাইগী লিন চুন য়িনা থাইলেন্দগী টানোং সাক সিনসোমবুনসুকবু মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌখি। ৱুমেন’স সিঙ্গলসকী টাইতলনা চাইনাগী ৱাং হিনা সাউঠ কোরিয়াগী কিম গুৱানবু মায়থিবা পীদুনা লৌখি।

মেন’স দবলসকী ফাইনেলদা সাউঠ কোরিয়াগী কো সুং হিয়ুং অমসুং সিন বেক চিয়োলগী জুরানা লৌখি। ৱুমেন’স দবলসকী ফাইনেলনা জপানগী নামি মাটসুয়মা অমসুং চীহরু সিদাগী জুরানা লৌখি। মিক্স দবলসকী টাইতলনা চাইনিস টপাইগী লি হুই অমসুং সুয়াচিংগী জুরানা লৌখি।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসননা ঐচ এস বি সি, দব্লিউ বি এফ ৱার্ল্ড টুর অমসুং বি দব্লিউ এফ টুর য়াওনা অতোপ্পা বি দব্লিউ এফনা শকখঙল্লবা টুর্নামেন্টশিং ওগষ্ট ফাওবা পাঙথোকপদা অথিংবা থমখ্রবনি। ওগষ্ট ফাওবা মতম শাঙদোকখিবা অসিনা শোকহনল্লবা টুর্নামেন্টশিং অদুদি– গ্রেদ ২ ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্টশিংদা জুন ২ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন ২০২০, জুন ৯ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা থাইলেন্দ ওপন ২০২০, জুন ১৬ তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ইন্দোনেসিয়া ওপন ২০২০ অমদি জুলাই ৭ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা রুসিয়ান ওপন ২০২০ নি।

গ্রেদ ৩, জুনির্য়র অমদি পেরা বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংদনা মে ৭ দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা দেনমার্ক চেলেঞ্জ ২০২০, মে ১৩ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদবা স্লোভেনিয়া ইন্টরনেস্নেল ২০২০, মে ২৮ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা লাটভিয়া ইন্টরনেস্নেল ২০২০, জুন ২ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ভেটনাম ইন্টরনেস্নেল চেলেঞ্জ ২০২০, জুন ৪ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা লিথুৱানিয়া ইন্টরনেস্নেল ২০২০, জুন ৯ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা কনাদা পেরা বেদমিন্টন ইন্টরনেস্নেল ২০২০, জুন ২৫ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা রসিয়ান ইন্টরনেস্নেল জুনিয়র হ্বাইদ নাইট ২০২০, জুলাই ১ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা হ্বাইদ নাইট ২০২০ অমদি জুলাই ১৬ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ওল ইংলেন্দ জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০ নি।

# ভিভিএস লক্ষমননা বেঙ্গল ক্রিকেট টিমগী বেটসমেনশিংগী ওনলাইন সেসন পাঙথোকখ্রে



কোলকটা, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়া নেস্নেল ক্রিকেট টিমগী বেটসমেন ওইরম্বা ভিভিএস লক্ষমননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রঞ্জি ট্রোফিগী রন্নর অপ তাখিবা বেঙ্গল ক্রিকেট টিমগী বেটসমেনশিংদা মহাক্কী অহানবা ওইনা ওনলাইন সেসন পাঙথোকখ্রে।

সেসন অনীথোক্লা খায়দোকখিবা অদুদা বেঙ্গলগী বেটসমেন অবিসেক রামন অমসুং কাজি জুনেদ সাইফিসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ভিভিএস লক্ষমনগা লোয়ননা বেঙ্গলগী কোচ অরুন লাল, ক্রিকেট ওপরেসন মেনেজর জয়দিপ মুরখর্জি অমসুং বেঙ্গল অন্দর–২৩গী কোচ সৌরাসিস লাহিরিসু শরুক য়াখি।

বেঙ্গল ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী খুৎথাংদা থাদোরকপা চেরোল অমদা বেটসমেন অবিসেক রামননা হায়, সেসন অদুদা ঐখোয়না মমাঙগী সিজনগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। লোয়ননা সেসন অসি য়াম্নামক বেটসমেন ঐখোয়গীদি দরকার ওই অমসুং মসিনা সিজনদা টিমগী প্রফোমেন্সতা ফজবা অমসুং ফরজরক্তবা মতমদা করম্না পূক্লিং ৱাখল ফাগনা লৈগনি হায়বদুগী মতাংদা লক্ষমননা তাকপী তম্বিখি হায়খি।

রামন মমাঙগী সিজন হৌগৎলকপদা কেরেলা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকা শান্নখিবদা থংননা সেঞ্চুরি ২ কন্দুনা মায় পাক্লা হৌখি অদুমকপু এভরেজতা ২৫.৩৭দা অপূনবা রন ৪০৬ খক সিজন অদুদা লৌখি। মহাক্লা মখা তানা বেটসমেন অমনা মেটচ হৌরকপগী অহানবা পুং ১ রোম য়াম্না মথৌ তাবা লুস সোট ঙাকথোকপদা ৱাখল খন্থনবগী মতাংদসু লক্ষমননা করম্না থেংনগনি হায়বসিগী তাংদা মহাক্কী এক্সপ্রিয়েন অদু সেয়র তৌখি হায়রি।

কাজি জুনেদনা হায়, ঙসিগী পাঙথোকখিবা সেসন অদু য়াম্না কান্নবা অমসুং মরুওইবা অমা ওইখি। হান্নগী ইন্দিয়াগী বেটসমেন অসিনা মহাক্লা মতম শাঙনা শান্নরকখিবদা থেংন্নরকখিবা এক্সপ্রিয়েন্স অদুবুসু সেয়র তৌবিদুনা করম্না ৱাখল ফাগনা লুরবা মতমদা রন লৌদুনা ঐখোয়গী হৈথোই শীংথোইবা অদু ঙমগনি হায়বগী মতাংদা তাকপিখি হায়রি।

ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ বেঙ্গলনা হৌখিবা সিজনদা টিম অসিগী খ্বাইদগী চাউনা অৱাবা মায়োক্লদুনা চহী ১৩ গী মতুংদা রঞ্জি ট্রোফিগী ফাইনেল চঙদুনা টুর্নামেন্টগী মপু ওইবা য়াখিবা অদু মখোয়গী তোপ ওর্ডর বেটসমেনশিংনা নীংথিনা প্রাফোমেন্স পীখিদবা অদুদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা বেটসমেন অসিগীদমক ওন লাইন ক্লাসশিং মখা অদুমক চত্থগদৌরি।

বেঙ্গলগী টিম অসিনা ১৯৮৯–৯০গী মতুংদা অহানবা ওইনা রঞ্জি ট্রোফিদা ফাইনেল চঙলক্তুনা সৌরাজ ত্রগা শান্নখিবা অদুদা মখোয়গী তোপ ওর্ডর বেট্টিংদা চাউনা অহোবা লৈখিবনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিদবনি। ক্রিকেট এসোসিয়েসন ওফ বেঙ্গলগী প্রসিদেন্ট অবিসেক দালমিয়ানা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ লাইচৎপু শন্দোকপা থিংবা থল্লিবা লোকদাউননা শান্নরোই কয়া ট্রেন্নিং চত্থবা য়াদনা ময়ূম ময়ূমদা লৈরিঙৈদা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেনখৎনবগী তাঞ্জা অমা পীবনি।

ঐখোয়গী শান্নরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী ময়ূমদা ট্রেন্নরশিংগী পাউতাক্কী মতুংইন্না থবক কয়া পাঙথোক্লি লোয়ননা মখোয়গী ৱাখলোনবুসু পূক্লিং লৈতাহনবা মথৌ তায়।

লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিনা মমাঙগী সিজনদা শান্নরোইশিংনা উৎখিবা প্রাফোমেন্সগী মতাংদা খৎন্নদুনা লাক্কদৌরিবা সিজনদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়খি।

# স্পেনিস ক্লব স্পানিয়োগী শান্নরোইশিং কন্ট্রেক্ট শাঙদোকখ্রে

দাদ্রিদ, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি)ঃ

স্পেনগী মকোক থোংবা লীগ লালিগাদা শান্নবা স্পানিয়োলনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা জুন ৩০ দা কন্ট্রেক্ট লোয়রবা শান্নরোই খরা নৌহৌননা কন্ট্রেক্ট শাঙদোকপা য়ান্নরে হায়না লাউথোকখ্রে। লোয়ননা ফার্ষ্ট টিম প্লেয়র অমসুং ষ্টাফ মেম্বরশিংনা ২০১৯–২০ সিজন মখা চত্থদ্রবদি মখোয়গী তলব চাদা ১৯ তাখনা লৌবদা য়াখ্রে হায়রি। ক্লব অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, দিএগো লোপেস অমসুং অচেন্তাইন ষ্ট্রাইক্কর জোনথান কলিরি য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোই ৭ জুন থাদা কন্ট্রেক্ট লোয়বশিং অসি হৌজিক চত্থদনা লৈরিবা সিজন অসি মপুং ফানা লোয়শিনবা ফাওবগী ওইনা কন্ট্রেক্ট শাঙদোকপদা য়ান্নরে হায়না ফোঙদোকখি। স্পেনিস লীগ অসি হৌখিবা মার্চ ১২ তগী কোভিদ–১৯না মরম ওইদুনা শান্নবা লেপ্তুনা লাক্লি লোয়ননা লালিগাগী প্রসিদেন্ট জাবির টিবাসনা সিজন অসি তোক্লবদি ক্লবশিংনা ১.০৮ বিলিয়নমুক মাঙলগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। ক্লব অসিনসু হৌখিবা মার্চ ২৭ তা লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মখোয়গী ফাইন্সাসিয়েলদা অৱাবা মায়োক্লরকপা অসিদা টেম্পরারী পে কট প্লান তৌনবা লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

# য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ান ফুটবোল এসেসিয়েসননা য়ুরোপিয়ান লীগশিং মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা হৌনবা মতম পীখ্রে

মেঞ্চেষ্টর, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি)ঃ

কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা পাঙথোকপা য়াদনা লৈরিবা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল লীগশিং মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপিয়ানগী ফুটবোল গভর্ণিং বোর্দি ওইরিবা য়ু ই এফ এদা দোমেষ্টিক কম্পীটিসনশিং মখা চত্থনবগী প্লান খঙহলক্লনবা গভর্ণিং বোর্দি অসিনা খঙহনখ্রে।



য়ুরোপতা সোক্করগী মেজর লীগ পূম্নমক পাঙথোকপা য়াদনা লৈরি। অদুবু য়ু ই এফ এনা মথং সিজনগী য়ুরোপিয়ান ক্লব টুর্নামেন্টশিং পাঙথোক্লবগী শেম শানিংল্লি।

য়ু ই এফ এগী প্রসিদেন্ট এলেকজেন্দর কেফরিননা ফেদ্দরেসন ৫৫ দা থাবা চিথিদা মহাক্লা হায়, তোকখ্রবা ফুটবোল লীগশিংনা য়ুরোপিয়ান ক্লব কম্পিটিসনদা ক্বালিফাইদ ওইবা টিমশিংগী লিষ্টসু মে ২৫ ফাওবগী মনুং খঙহলক্কদবনি। নেস্নেল এসোসিয়েসন নৎত্রগা লীগশিংনা মখোয়গী দোমেষ্টিক লীগশিং মখা চত্থনবগী প্লানিং অমসুং পাঙথোক্কদবা তারিক্কা লোয়ননা কম্পিটিসনগী অকূপ্পা মরোল অদুসু য়ু ই এফ এদা মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা খঙহলক্কদবনি।

তোকখ্রবা কম্পিটিসনগী ওইনসু লাক্কদৌরিবা ইরোপিয়ান ক্লব কম্পিটিসনশিংদা করম করম্বা ক্লবশিংনা ক্বালিফাইদ ওইরবগে হায়বসিসু পীরক্কদবনি হায়খি।

লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী স্পোর্টিং ইভেন্ট কয়া লেপ্তুনা লৈরি। লোয়ননা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাউবা ফুটবোল ইভেন্ট ওইরিবা য়ুরো ২০২০ সু মথং চহী ফাওবা য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা নেস্নেল লীগ অমসুং কন্টিনেন্টেল ক্লব কম্পিটিসনশিংসু পাঙথোকপা য়াদনা লৈরি।

য়ু ই এফ এনা মখোয়গী মেম্বর এসোসিয়েসনশিংদা লীগ তোকপগী মহুৎতা মখা চত্থনবকগী অপম্বা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি লোয়ননা সিজন অসিগী চেম্পিয়ন লীগ অমসুং য়ুরোপিয়ান লীগ কম্পিটিসনশিং মপুং ফানা লোয়শিন্নবগী পান্দম থল্লি।

য়ুরোপকী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা জর্ম্মনগী মন্দসলিগা, ইটালিগী সিরিয়া এ অমসুং প্রেমিয়র লীগনা সিজন অসি লোয়শিনবা পাল্লি। অমদি দটচ লীগতি ইরাই নুমিৎতা সিজন লোয়শিনখিদুনা টাইতল লৈতবগা লোয়ননা রিলিগেসন অমসুং প্রমোসন লৈরারোই হায়না লাওথোকখ্রে।

# বি এ আইনা ইন্দিয়া ওপন দিসেম্বর নৎত্রগা জানুৱারীদা পাঙথোক্লবা শেম শারি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি)ঃ

বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া ( বি এ আই)না ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়র ইভেন্টসু ওইগদৌরিবা ইন্দিয়ান ওপন পাঙথোক্লবগী অয়বা গভর্ণমেন্টনা পীরবদি দিসেম্বর নৎত্রগা মথং চহীগী জনুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন ( বি দব্লিউ এফ)না মমাঙগী চায়োলদা হৌখিবা থাদা কোভিদ–১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়ৈথোক্তুনা লাকপা টুর্নামেন্টগা লোয়ননা টোকিও ওলেম্পিক গেমসগী ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অমদি বি এ আইদা বি দব্লিউ এফ ৱার্ল্ড টুর সুপর ৫০০ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবা খঙহলকখিবনি। মসিগী পাউখুম পীরদুনা বি এ আইনা বি দব্লিউ এফকী স্লোপ অনী পীখি। অমসুং ইভেন্টশিং অদু লাইচৎ অসিনা অচৌবা খুদোংচাদবা মরম ওইদুনা গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরবদি চহী অসিগী দিসেম্বরদা নৎত্রগা মথং চহীগী জানুৱারীদগী পাঙথোক্কনি হায়না বি এ আইগী জেনরেল সেক্রেটরী অজে সিংহানিয়ানা ফোঙদোকখি।

সিংহনিয়ানা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, ঐখোয়না বি দব্লিউ এফতা ইন্দিয়া ওপন দিসেম্বর নৎত্রগা জনুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারে হায়না খঙহনখ্রে। অদুমকপু মসি মালেমগী ওইনা হেল্‌ঠ খ্রাইসিস অসিনা শাফরবা মতম অমসুং গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীরকপগী মখা পোল্লি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঐখোয়না বি দব্লিউ এফতগী মমাঙগী চায়োলদা সেপ্তেম্বর থাদা ইভেন্ট খরা য়ুম্বু ওইনবগী খঙহলকখি। অদুমকপু মালেমগী ওইরিবা ফিভম অসিনা ঐখোয়না অহানবা ওপসন ওইনা দিসেম্বরদা অমসুং অনীশুবা ওপসন ওইনা জনুৱারীদা পাঙথোক্লবা খঙহনখি। অদুমকপু মসি পাঙথোকপা হায়বসি ফেক্টর ককয়াগী মখা পোল্লি। লোয়ননা ইন্টরনেস্নেল ট্রাভেলশিংসু থিংজিন্দুনা লৈবনা ঐখোয় ঙায়খিবা তারি হায়খি।

ইন্দিয়ান ওপন সুপর ৫০০ ইভেন্ট অসি চহী অসিগী হৌখিবা মার্চ থাগী ২৪ দগী ২৯ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বনি অতোপ্পা এপ্রিল ২৮ দা দেট লাইন ওইদুনা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসনশিংগী য়ৈথোকখ্রবা টুর্নামেন্টশিং অদুগী মনুংদা সুইজ ওপন সুপর ৩০০( মার্চ ১৭ দগী ২২), মালেসিয়া ওপন সুপর ৭৫০ ( মার্চ ৩১ দগী এপ্রিল ৫), সিঙ্গাপুর ওপন সুপর ৫০০ (মার্চ ৭ দগী ১২) অমসুং বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ (এপ্রিল ২১ দগী ২৬ ) ফাওবনি।


SAMSUNG COMBI
SAMSUNG 40" LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 7.2 KG WASHER
₹ 46,000/-
TATA SKY FREE
SAMSUNG 43' SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
₹ 57,500/-
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

SANSUI
WASHING MACHINE

| | |
|---|---|
| 6.5 KG | = ₹ 7999 |
| 7.2 KG | = ₹ 8999 |
| 8.2KG | = ₹ 10200 |
| 6.2KG Godz | = ₹ 8200 |
| 7KG NEW Godz | = ₹ 9200 |
| 8KG Godz | = ₹ 11500 |
| 8.5KG Godz | = ₹ 12000 |
| REFRIGERATOR | |
| 181 Ltr Godz | = ₹ 10600 |
| 190 Ltr SAMSUNG | = ₹ 11400 |
| 190 Ltr 3 STAR Godz | = ₹ 13400 |
| 200 Ltr 3 STAR | = ₹ 13000 |
| SANSUI LED | |
| 32" LED SMART | = ₹ 11000 |
| 40" LED SMART | = ₹ 19000 |
| 50" LED (4K) | = ₹ 29500 |

VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Khongman Zone-III, Imphal East, Manipur



PROVISIONAL ADMISSION TO CLASS XI SCIENCE
(SESSION 2020-21)
Has Been Started...
Online Classes will start from 1st May, 2020.
Desirious Students/Parents can contact School Office from 9 a.m. to 4 p.m for Enrollment
For Details : +917085410354/8131070337/9436849647
Email : info.khongman@unaccoschool.in/ Info.unaccoschool@gmail.com


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com